# এফ সি জালেননা ক্রুগপু নম্বোল মায়থীবা পীখ্রে ক্রুগপু পোইন্ট ৫ খক ফংদুনা অরুবা ফীভমদা লৈখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ ঃ

ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চত্থরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সি জালেন সদর হিলসনা ক্রুগপু নম্বোল গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এফ সি জালেন সদর হিলসনা মেচ ৯ শান্নখিবদা মেচ তরুক মায় পাকখ্রে। মেচ অমনা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অনীনা মায়থীদুনা পূন্না পোইন্ট ১৯ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসিগী মেচতা মায়থীহৌরবা ক্রুগপু নম্বোল মেচ ৯ শান্নখিবদা শুপ্নগী মেচ অমখক মায় পাকপা ঙম্লি। মেচ অনীনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেচ তরুক্না মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ক্রুগপু নম্বোলনা হৌজিক মেচ শান্নগদবা মেচ অনীখক্তা ঙাইশিল্লক্লে। মেচ অনী অসিদা ক্রুগপুনা তঙাইফদনা মায় পাক্তবা য়াদবগী তানফম অদু য়ৌখ্রে। করিগুম্বা ক্রুগপু নম্বোলনা মেচ অনী অসিদা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি শুংশোয় শোইদনা ষ্টেট লীগ অসিদগী মপান থোকখিবগী ফীভমদা লৈরি।

অমরোমদা এফ সি জালেননা ঙসিগী মেচ অদুদা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরক্তুনা ক্রুগপুগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চত্থখি অদুবু ক্রুগপুগী শান্নরোয়শিংনসু গোল ওইহন্দনবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি।

মেচ অদুগী মতম পুম্বদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নদুনা মীয়াম্বু মমিৎ পেলহনখি।

মেচ অদুদা এফ সি জালেনগী সাইখোহাও তুবোইনা য়েৎলোমদগী ক্রোস তৌরকপা বোল অমা মাগী টিমমেট থাংতিনলাল হাওকিপনা ফংলবা মতুং এন জি দিবেনপার মোয়োন্দা খাইদোরকপদগী মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা দিবেনপার মোয়োন্না গোল ওন্থোকখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা এফ সি জালেন্না গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচকী ৬১ শুবা মিনিটতা সাইখোহাও তুবোইনা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ক্রুগপু নম্বোলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল রোসনগী ফজরবা হেদ্দিং অমদা মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

চত্থরিবা ষ্টেট লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং য়ু এস এগা শান্নরগনি।



## ইম্ফাল ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মালোমদা চত্থরিবা থার্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম এস সি মালোম মায় পাকখ্রে। আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোং অমসুং এস দি সি শমুরৌ গোল চন্নখিদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এম এস সি মালোম্না এস ৱাই পি এ সেকমাই গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এম এস সি মালোমগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী হাফ মতুংদা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা গোল অহুম থংনা থংননা চনশিনখি। টিমদুগী গোলশিং অদু কে তোম্বনা গোল অনী মেচকী ৫৩ অমসুং ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি। এন নাওচানা গোল অমা মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু আমষ্ট্রোংনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোং অমসুং এস দি সি শমুরৌ গোল ০-০ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা এস দি সি শমুরৌগী শান্নরোয় মরি এন মাইকেল, শান্তিকুমার, এম কিষন অমসুং অমরজিৎতা সেন্তর রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

## ইম্ফাল ইষ্ট থার্দ দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চত্থরিবা থার্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচ অহুমদা সি এস সি, কে দি এস সি অমসুং ৱাই এম সি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সি এস সিনা এস ঈ সি গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সি এস সিগী অহানবা গোল গৌলেন কিপজেন্না মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা চনখি। লালবোইনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

অনীশুবা মেচতা কে এস দি সিনা এন ৱাই টি ঐচ সি গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কে এস দি সিগী গোল অদু এম দি অতেম্বনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা এন ৱাই টি ঐচ সিগী প্রিয়ো মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা অদুগা কে এস দি সিগী এম দি মুস্তাখান মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা ৱাই এম সিনা ঈ য়ু এস সি তেলৌ গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই এম সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন সনাহলনা মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

## অন্দর-১৬ হোকি টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ ঃ মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা নবেম্বর ৬ তগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চহী ১৬ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা শান্নরোয় ১৮ গী মমিং মথা অমদি দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেটনচিংবা পীশিল্লক্কদবনি। টিমশিংগী এন্ত্রি ফিগী মমলনা লুপা লিশীং ১ নি। মরম অদুনা মণিপুর হোকিগী এফিলিএটেদ ক্লব, এসোসিএশন অমসুং য়ুনিটশিংনা শরুক য়ানবা খঙহল্লক্লি।



HL-B/3383/13-1nov.

# নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্মিং ষ্টেট ৮ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ ঃ

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএশন (এম এম টি এ) অমসুং মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্মিং এসোসিএশন অনীনা পূন্না শিন্দুনা ঙসিদগী মিনুথোংদা লৈবা কংলা রোক ৱালদা ১৮ শুবা নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্পিটিশন ২০১৬ ষ্টেট ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থবা হৌখ্রে।

য়ুম্বু মণিপুর য়াওনা মিজোরাম, আসাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম অমসুং মেঘালয়াদগী লাকপা অপূনবা ক্লাইম্মর ১২১ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী চত্থখিবা কম্পিটিসন অসি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর হৱাইবম দিলিপ, এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট এন ইবুংঙোচৌবী, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, আই এম এফ নেসনল স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন কর্নেল অজিৎ দত্ত (এস এম), মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্মিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সুরেস অমসুং আই এম এফ নোর্থ ইষ্ট জোন স্পোর্টস ক্লাইম্মিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন য়েংখোম সুরচান্দনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চত্থগদৌরিবা কম্পিটিসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী লিদ ইভেন্টতা মণিপুরগী সেঞ্জম দেবলানা অহানবা পোজিসন তাখি। মণিপুরগী থাজ সেরাম্না অনীশুবা পোজিসন, মেঘালয়াগী ভিরিসাহনা অহুমশুবা পোজিসন, ত্রিপুরাগী পপিয়া শাহ অমসুং আসামগী জানকী দেবীনা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী লিদ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্লাইম্মর ১৩ ক্বালিফাই ওইখ্রে। ক্বালিফাই ওইখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুরদগী কাঙুজম সুরজিৎ, মণিপুরদগী সোহেল নৱাজ খান, নিঙোম্বম রিসিকেস, নাগালেন্দগী ইমনাতোসি পোঙ্গেন, মেঘায়লাগী বাকোরদের উমসোং, আসামগী সামজোন শর্ম্মা, নাগালেন্দগী অভিতো হোসি, ত্রিপুরাদগী অঞ্চাল অলি, আসামদগী দিবাকর দাস, অরুনাচল প্রদেশতগী কিশোন টেকসেং, মেঘালয়াদগী রিলাং দখার, নাগালেন্দগী অভিজি হোসি অমসুং কেকহেনৈতো কেরেনি।

নুপীগী লিদতা ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রবা মরি অদুদি মণিপুরদগী ললিনা নিঙোম্বম, মিজোরামদগী লালরিনমাৱি, মণিপুরদগী মেদিয়া কাঙুজম, ত্রিপুরাদগী পাইমা মোগনি।





HL-P/1016/15-30 oct.-1,3,4,5nov.



HL-B/3347/19,21,23,25...



HL-B/3363/4-30,1-4 nov. (alt)



HL-B/3374/8/10-7/11







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com